# বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

**(পাউ চে অসিগী কলমনিষ্ট ফোরমগী প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা শৈরেংবা অসিগী ৮১শুবা মপোক নুমিৎকীদমক অখন্নবা লাংজবা)**

**হুইয়েন** লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা শিল্লগা কুমজা ২০১৪গী জান্যুৱারী ১৪দা ঐজ্ঞা জয়েন্তকুমারগী ৮০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবদু ঙরাংতা ওইরবোই নীংই। অদুবু নুমিৎ ৩৬৫নি হৌখিরল্লে। ঙসিদি ঐজ্ঞাগী চহী ৮১ শুরক্লে। অদুবু ঐজ্ঞাগী চহী ৮১শুরকপগী পুন্সি খোঙচৎতা ঐজ্ঞাদি উবা ফংদ্রে। ঐখোয়না নুংশিনা লোয়জনখিবা ঐজ্ঞা জয়ন্তকুমার কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ৯দা তাইবঙপান থাদোকখি। মীয়াম্না শৈরেংবা অমা ওইনা থোইদোক্লা শক খঙনখিবা বাচস্পতিময়ুম জয়ন্তকুমার শর্ম্ম, কুমজা ১৯৩৪গী ঙসিগী নুমিৎ হায়বদি জান্যুৱারী তাং ১৪দা ব্রহ্মপুর নহাবম বাচস্পতি লৈরক, ইম্ফালদা পোকখি। মহাকপু লৈপাক মীয়াম্না বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা হায়রগা খঙনৈ। খরা হেন্না লোইন-তীন্নবশিংনা ঐজ্ঞা জয়ন্তকুমার নৎত্রগা ঐজ্ঞা জয়ন্ত হায়রগা থোইদোক্লা খঙনখি।

বি জয়ন্তকুমার, মরৈকাইগী মহৈশঙদা মহৈ তম্বা হৌরক্লগা মথং-মথং তম্লকপদুনা কুমজা ১৯৫৩দা সি সি (চুড়াচান্দ) হায় স্কুলগী মহৈরোয় অমা ওইনা মেট্রিক পাস তৌখি। মথংদা দি এম কলেজদা আই এদগী বি এফাওবা তমথখি। কুমজা ১৯৫৮দা পাস তৌখি। বি এ তম্লিঙৈ অমদি লোইরবা মতুংদা এডল্ট নাইট হায় স্কুল, খুয়াথোং অমসুং সি সি হায় স্কুলদা ওজা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৬১গী জুলাই ৯দা ওল ইন্দিয়া রেডিও, গৌহাটিদা ষ্টাপ আর্টিষ্ট ওইনা থবক চঙই। মসিদগী মথং-মথং প্রমোসন কারক্তুনা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ফাওবা ওইখি। কুমজা ১৯৯১গী ওগষ্ট ৩১দা ওল ইন্দিয়া রেডিও, কোহিমাদগী থবক্তগী পোথাখি।

বি জয়ন্তকুমারবু লৈপাক্লা থোইদোক্লা শক-খঙনরিবসি ঈশৈ ময়েক ইবা অমা ওইননি। মহাক্কী ফোঙলবা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিকশিংদি- *নোংদোল লীক্লা* , ১৯৮১; *লৈখল লৈচল*, ১৯৮৫; *পুন্সি ঈশৈ শক্ল শক্লা*, ২০০৩ অমসুং *অদুঙৈগী সুর*, ২০০৮নি। অইবা অমা তোঙান তোঙানবা মখলগী লাইরিক খরসু ইরম্মী। খোমজিনবা লাইরিক খরগীসু এদিটর ওইখি। অইবা অসিনা তৌরিবা থবকশিং অসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙনবা লূপ কয়াগসু মরী লৈনদুনা থবক কয়াসু পাংলম্মী। লোয়না পাউ চে অসিগসু পূনমিন্নদুনা পাউ চে অসিগী কলমনিষ্ট ফোরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌসু পুবিরম্মী।

অইবা অসিনা তৌরিবা থবকশিং অসিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী পীরকপা মনা-মথুম কয়ামসু ফংখি। পনবা য়াবা খরদি- সেকেণ্ড মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ১৯৯৪দা বেষ্ট লিরিসিষ্ট এৱার্দ; অশালতা এৱার্দ, ২০০৩ (মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়ননা পীবা); আকাশবাণী এৱার্দ, ২০০৩; কথা এৱার্দ, ২০০৫; অকোইজম চাওতোন রাজকুমার মুক্তাসনা এৱার্দ; থিয়াম রাধেশখি এৱার্দ, ২০১১নচিংবা পনবা য়াই।

বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইখিবা কাউঙল্লরোইদবা ঈশৈ ময়েক খরদি –

১) খোল্লাং লমন শিংঙল্লোই ইমা ( শৈশকপা: নোংমাইথেম পহাড়ী)
২) নীংশিংলি মেরাগী থাবলদো ( শৈশকপা : নোংমাইথেম পহাড়ী)
৩) পুন্সি ঈশৈ শক্ল-শক্লা/ ঐনা ফল্লি তোর্ব্বানসিদা ( শৈশকপা : অরিবম তোম্বীস্না)
৪) হো ঈরিল তুরেল/ থেক্লা খোইনা খোইনা চীংজাউ লান্না ( শৈশকপা : লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার)
৫) ইতা মাঞ্জ কাদা চৎলনি ( শৈশকপী : চোংথাম কমলা)
৬) ৱা অমত্তা হংজগে লাকপনি (শৈশকপী : চোংথাম কমলা)
৭) লৈকোলসিদা কুরাক অনী কোইপাই পাইরৈ (শৈশকপী : চোংথাম কমলা)
৮) নঙগী মাইথোং উরুবদা/ পুর্ণিমা থাজনা ইকায়জবীনি ( শৈশকপা : নোংমাইথেম পহাড়ী)
৯) সনা লৈবাক মণিপুর ( শৈশকপা : রুপ রাগগী শৈশকপশিং)
১০) হাদ শমদোন অয়াংবা ( শৈশকপী : মঙ্কা) নচিংবনি।

শক্লাইরবা শৈরেংবা অসিনা ইরম্বা ‘সনা লৈবাক মণিপুর’ হায়রিবা ঈশৈ ময়েক অসি মণিপুরগী মীয়াম্না ষ্টেটসিগী ‘ষ্টেট সোং’নি হায়না লৌনদুনা লাকখি। অদুবু ওফিসেলদি ওইরমদবদগী ‘ষ্টেট সোং’ ওইহননবা ৱাফম লাক্লবদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবক-থৌরাংশিং লৌখত্তুনা লৈরি। ঈশৈ অসি শোইদনা মণিপুর ষ্টেটকী ‘ষ্টেট সোং’ ওইরকপা ওইসনু। হায়রিবা ঈশৈ অসি মখাদা থমজরি ঃ

সনা লৈবাক মণিপুর, মণিপুর
কোলোয় নঙগী মণিপুর
লাইজনুংগী মণি, নারক্কী লৈরাং
পিক্তক্লা মঙাল চাউবীনি।
ইনুংবুঙদগী হৌরকপা চীংলোন্না পল্লোন খারিবী
শংলেন ফীজোল শেৎপী, চানবী হৈবী
চীক্লা লেম্না ঙান্থোইরিবী।
খৈনা য়াংকোক মওংনি
শুমহৎয়াই ওইবী শক্তম্নি।
কোরৌগী অহানবা খোঙদাফম ওইরিবী
নচা নাউয়োক -নাউকোন হৈবী
খোইরুম মোমোন-মীনোক লৈতেংবী।
সনানা ঈথক হৌবা লম
লুপানা কোঙ্গোল থিনবা লম
শংবান অতিয়ানা ফীজং ওইবী
মণিগুম মঙাল নাইবীনি।



মীঙোন্দা অথীবা ৱাহৈ অমত্তসু হায়রমদবা ঐজ্ঞা জয়ন্তকুমারনি। মতম পূম্নমক্তা মোমোন্তা নোকখি। খোঞ্জেল ফজে। ঈশৈ ময়েক ইবতা নত্তনা করম্না ঈশৈ অমা শেমগৎকনি হায়বসি চপ চানা খঙবা মীশক্লি। মশামক্লা ইজবা ঈশৈ কয়া মশামক্লা সুর পানখি।

নহা অহল খায়দনা তিন্নবা য়াবা মীশক ওইখি। ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালদা হৌজিকসু মহাক্কী খোঙ্গুলগী মমি মুৎতনা লৈরি। চংখি-চংখিবা মফমদা মায় পাক্লগা থোক্লকখিবা মীশক্লি। হেন্তোক্লা মনা পী য়ারবমক্তদা পীফম থোকপা মনা পীবিখিদে। মদুদসু করিসু নাচুংদনা মশাগী তৌফম থোকপা থবক্তনা হেন্না পূক্লিং লুপখিবা মীশক্লি। মরমসিননি মহাকপু মীয়াম্না মমল লৈনা লৌনহৌরিবসি।

# জান্যুৱারী ১৪ ঃ দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ লাকপদা

## লাইশ্রম সোতিনকুমার

**ওল** ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুরগী লমজিং মখাদা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়ন্না দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবা খুদোংথিবা ফীভম কয়া থেংনদুনা লাক্লি। দ্রাইভরশিংগী থাগী খূৎশুমন হেনগৎনবা, লম্বীদা গাড়ী চৎলিঙৈদা খূৎলাই পায়বশিংনা ওৎপী নৈবীবা, পুলিসকী কা হেনবা শাজৎ অমদি ফুবী চৈবীবা, মীহাৎ মীপুন অরেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা কয়াগী মায়োক্তা থেংনরি। মপান লমগা শম্নরিবা ইম্ফাল-দিমাপুর, ইম্ফাল-জিরিবাম্নচিংবা লম্বীশিংদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা কেন্দ্র অমদি ষ্টেট লৈঙাকশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি।

কুমজা ১৯৯০ গী জান্যুৱারী ১৩ দা নাগালেন্দগী জুবজাতা মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা মহৈ তমজরিবা হেন্দলমেন অমবু তমথিবা মওংদা হাৎতোকপীখিবগী পাউ তাবদা খুদক্তা য়ুনিয়নগী ওফিসতা অথুবা মীফম অমা মতম অদুগী দ্রাইভর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট লৈখিদ্রবা লোংজম গ্যানেন্দ্রনা মীফম মপু ওইদুনা ফম্লগা এক্সন কমিটি অমা শেম্বদা ঐখোয়দা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং পীবিদুনা মশীং থিঙমদ্রবা মাল গাড়ী ময়াম ইম্ফালগী অকোয়বদা জানুৱারী ১৪ দা গাড়ী রেল্লি চৎলগা গাড়ী পূম্নমক কোইরেঙ্গৈগী এয়রপোর্ট অমনবদা নুমিৎ মাপন (৯) নি চুপ্না খামদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। দ্রাইভর ইচিন ইনাওশিংগা ঐখোয় নুমিৎ ১০ নিরোম কোইরেঙ্গৈদা লৈমিন্নখি। দ্রাইভরশিংদা চৎথরিবা মীওৎ মীনৈ কয়াগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওমিন্নখি। অসিগুম্বা মীওৎ মীনৈ কয়াসিগী মরক্তা দ্রাইভরশিংগী দাবীশিং পুখৎনবা অমদি লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংবু নীংশিংনবা চহী খুদিংগী ‘জান্যুৱারী ১৪ বু দ্রাইভরস দে’ হায়না পালন তৌরসি হায়না ঐখোয়না অপীকপা কম্মিটি অমদা হৌদোকপগা লোয়ননা জান্যুৱারী ২৩ (নীংশিংবদা) দ্রাইভরশিংগী অচৌবা মীফমদুদা জান্যুৱারী ১৪ বু দ্রাইভরস দে ওইনা থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মণিপুরগুম্বা রোদ ট্রান্সপোর্ট নৎত্রগা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন অমসুং চৎথোক চৎশিনগী উপায় লৈত্রবা মণিপুরগী মীওই লাক্ষ কয়াগী নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লিবা লমদম অসিগী প্রজাশিংগগী মরক্তা লৈনরিবা শেৎন থানবা য়াদ্রবা মরী অদু দ্রাইভরস য়ুনিয়ন্না ঙসি ফাওবা ঙাক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসি মণিপুরগী ইহান হানবা দ্রাইভরশিংগী য়ুনিয়ননি। অদুবু মণিপুর অমদি য়ূমথংনবদা লৈবা ষ্টেটশিংদা দ্রাইভরশিংবু হন্থনা য়েংবগী অৱাবা অমদি ঙসি ঙসিমক দ্রাইভরশিংনা মায়োক্নরি। ভেন ৱাইদুনা পুবিখ্রগা দ্রাইভরবু তমথিনা হাৎতোকখিবা, পিপিমা চীং নীংখায়বদা গাড়ী মনিং হনবদা খজিক্তং থেংলুবগী দ্রাইভর হেন্দলমেনগী পুন্সি লোমখিবা, শকখঙদবশিংনা শেনখাই থুমখাই পীদে হায়দুনা দ্রাইভর হেন্দলমেন তমথিনা ফুবিখিবা অমদি য়াইরিপোক্তগী দ্রাইভর মপা মচা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদবদগী ঙসি ফাওবা দ্রাইভরশিং পূক্লিংদা নিংঙমদবগী মৈচাক কোকত্রি। সদর হিলসকী বন্দনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কৈথেলমানবীদা কৈরাওদগী রহমানগী পুন্সি মাঙখিবা, য়াইরিপোক্তগী অনৱার এলাইজ ইথেম অমদি গ্যানেশ্বর, জিরিবামগী লৈঙাংপোকপীদা এস্কোর্টকা লোয়ননা চঙননবা ঙাইরিঙৈ চৈরক্তা শকখঙদবশিংনা হাত্তোকপীখিবা, সেকমাই হোটেলদা গাড়ী খামদুনা লৈরিঙৈদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা হাত্তোকপীখিবা আসামদগী কুমুদ আলি অসিনসু লোইবা নত্তে মণিপুরগী ত্রক দ্রাইভর ৱাংজিং হোদামদগী গোবরধোন এফ সি আই গোদাউন্দগী চিনি হাপ্তুনা ইম্ফালগীদমক থৌদোরকপদা কোহিমাদা খামদুনা লৈরম্বদগী পুলিসনা য়েংলুবদা দ্রাইভর শিদুনা লৈরম্বা অদুগা হেন্দলমেন থাংলোন থিবা খঙখিদবা লোয়ননা গাড়ীদা চিনি অমত্তা য়াওরমদবসি লুট পাট তৌবশিংনা হাৎখিবনি। কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিল ১৭ তা এন এস সি এন (আই-এম) ওইগনি হায়না চিংনবা খূৎলাই পায়বা কাদর ৮ না ইম্ফাল জিরি লম্বীগী সপরমৈনা পুলিস ষ্টেশন্না কোনবা চরোই পাদোংবমদা মাল পুদুনা লাকপা টাটা ত্রক অনী মৈ থাদোকখিবা অমদি শামুরৌ অৱাং লৈকাইদগী দ্রাইভর অসেম বাবুবু মীনুংশি য়াওদনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখি। মতুং তারকপা ওইনা টেঙ্কর থৌবা দ্রাইভর সঙাকফমদগী সুরজিৎপু সেক্যুরিটি মতিক চানা লৈবা কোহিমা সহরগী রিজার্ব লাইন মপাদগী ফাবগী থৌদোক লৈখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুরনা দ্রাইভরশিংগী ৱাকৎ কয়াগী থেংনবদা মরু ওইনা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা শাথিনা মীওৎ মীনৈ চত্থরিবা গাড়ী খুদিংগী খামদুনা খূৎলাই পায়বশিংনা টেক্স খোমলিবা, দ্রাইভরশিংদা চৎথরিবা ফাবা, হাৎপা তুপ্পা য়াওনা মীওৎ মীনৈ চত্থবগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লি। হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা য়ু পি এ লৈঙাক্কী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উনদুনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। ঙসিগী লৈঙাক অসিদসু তকশিল্লি। দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ জান্যুৱারী ১৪ লাকপদা মরু ওইনা পুখৎলিবা দাবীশিংদি – দ্রাইবরশিংগী থাগী তলব লুপা ১৫,০০০ দগী তাদনা পীহননবা, অহল ওইরবা দ্রাইভরশিংদা থাগী পেন্সন লুপা ৪,০০০ পীহনবা, দ্রাইভরশিংদা সোসিয়েল সেক্যুরিটি ফংহনবনচিংবনি।

শু-নোম্লিবা কাঙলূপকী মরু ওইবা থৌগাই পুরিবা দ্রাইভর ইচিন ইনাওশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াসি খঙবিবগা লোয়ননা লৈঙাক মপুনসু দ্রাইভরশিংগী য়াইফ থৌরাং খরদি পায়খৎপীফম থোকই।

# মুসলিম ফোক ম্যুজিক (মণিপুরী মুসলিমগী খুন্নুং ঈশৈ)

## মুহম্মদ অব্দুর রহমান

**অহৌবা ৱারোল ঃ**

মৈদিংঙু খাগেম্বা হাক্তক্তা ‘পাঙল’ হায়না খঙনদুনা মৈতৈগী মরক্তা মণিপুরদা লৈরিবা মুসলিমশিং মখোয়গী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগী মখাদা পোক্লকখিবা অমসুং চাউরকখিবা মীশিংনি। মখোয় হৌজিক্কী বাংলাদেশকী মনুং চনখ্রবা শিলেট (শিলহট) তগী মখোয়গী মরায়বক্লা চিংলদুনা নিংথৌ মচা শানোংবনা শেম্বা লম্বীদা লাকখি অমসুং লৈবাকসিদা লৈখি (১৬০৬)। মখোয়না করম্না লৈবাকসিদা লাকখিবা অমসুং লৈখিবা হায়বগী ৱারী ‘নোংশামৈ পুয়া’ অমসুং ‘পাঙল থোরকপা’ কৌবা লাইরিকশিংদা ইরি। মখোয় লমদমসিগী নিঙোলশিংগা য়ূম্বান্নদুনা মখোয়গী মীশীং হেনগৎখি অমসুং মখোয়, মখোয়গী সংস্কৃতিগী উচল মনুংদা লৈরকখি। মতমগী মতুংইন্না মখোয়গী মমারোল মণিপুরী ওইখি। অদুম ওইনমক মখোয়না মখোয়গী ইমুং-মনুংগী অমদি সমাজগী পুন্সিদা উর্দু ৱাহৈ শীজিন্নবা থাদোকখিদে।

চীনগী ঈশৈ হায়বসি সমাজ খূদিংগী পুন্সিগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি। মণিপুরী মুসলিমসু ঈশৈ শকই। মখোয়না ঈশৈ শকপসু মখোয়না লৈবাকসিদা লৈরকপা মতমদগী হৌরক্লে। হায়রিবা ঈশৈদু মুসলিমগী লুচিংবা ওইরকপা মুহম্মদ সানীগী মচানুপা নজারানা মাগী লোনদা কোনুংগী সনথোঙদা শকখিবা ঈশৈ অদুনি। নোংশামৈ, লোন অদু খঙবা মী ওইরকখি। মহাক্লা থৌদোকসিগা মরী লৈনবা ৱারী অমসুং ঈশৈদুগী ট্রান্সলেসন নোংশামৈ পুয়াদা ইরম্মী। ঈশৈদুগী শৈরোল মখাগীসিনি।

‘পন্থৌ কুরু লাই মরু সনা লাইচ য়িহনসুং উতরে/ ইতোন চরৈ খোমতোনসং খাইনরে/ চীংঙু শিখি ৱায়েনপা ইপুংঙু/ নঙনা নতাইরেম ঐকী লাইপক খেলাইখোংতা/ অঞ্চি লাইয়ি য়েকলপতা/ তয়ম মীনাই ৱোইনা য়েক্লপসুং/ তয়ম ঐতি চেনফরোই এ/ তৌইকুম পন্থৌপু শকৰুনপপু কুপিৱো!

মুসলিমশিংনা লৈবাকসিদা লৈরকপা মতমদগী ঐখোয়গী মতম ফাওবদা লাকপা চীন্থাং ৱারীদগী খঙই, মদুদি মখোয়না খুন্দাবা নৌরিঙৈদা লুহোংবগী থৌরমদা নুপাশিংনা ঈশৈ লোয়নবা জগোয় শারম্মী। মসি চুমগনি খল্লি, মরমদি, মুসলিমশিংনা সরেন্দর তৌরবা মতুংদা কোনুংদা চঙবদা জগোয় হৈবা মীশিংনা জগোয় শাবগী ৱাফম মোংশামৈদা পল্লি। অদুনা লুহোংবগী থৌরমদা নুপানা জগোয় শারম্মী হায়বসি চিংননীংঙাই ওইদে। মদু খূৎ ওইনা ‘দফৎ’ হায়বদি মমায় নামতা পানবা পূং মচা (স্মোল তম্বোলিন) পায়রগা খূৎ য়েৎনা মদু থীন্দুনা ঈশৈ শক্লগা শাবা জগোয়নি। মদুবু মেরবাক (মীরৈবাক) জগোয় হায়না খঙনখি। মেরবাক জগোয় হায়বসিগী মওং অতৈসু লৈরি। নুপানা জগোয় শাবা তুংকোইনা চৎনখিদে, মখোয়গী মহুৎ নুপীনা শিনখি। হৌরকপদগী হৌনা মণিপুরী মুসলিমগী কূম্মৈশিং লুহোংবগী থৌরমদা উৎপা চৎনরকখি।

**খুন্নুং ঈশৈ ঃ**

মণিপুরী মুসলিমশিংগী মমারোল মণিপুরী ওইরবা মতুংদা মখোয়গী খুন্নুং ঈশৈসু লোন অসিদা লৈরকখি। খুন্নুং ঈশৈশিংদু আর্টিষ্ট অমত্তনা শেমখিবা নত্তে। চহী কয়ামুক চঙনা মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইনা শেমখিবনি। ঈশৈশিংদুগী নুংঙাইবা অমসুং থম্মোয় শোকপা মতাংদি নুংশি-নুংঙনগা মরী লৈনবা— ফংনবা অমসুং কায়নবগী মতাংনি। মণিপুরী মুসলিমগী খুন্নুং ঈশৈ চাউরাক্লা অসুম্না খায়দোকপা য়াই ঃ জগোয় ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, গজল, কৌৱালী, মঅ্‌রিফৎ, ৱারী ঈশৈ

ঈশৈশিংসিগা মরী লৈননা চাউরাকপা ৱারোল খরা থমজরি—

**১। জগোয়-ঈশৈ ঃ**

জগোয়-ঈশৈ হায়বসি লুহোংলিবী নুপী গোইনা (গানিয়া) গী য়ূমদা লুহোংবগী থৌরম ওইনা পাঙথোকপদা কূম্মৈদা জগোয় শারিবী নুপীনা জগোয় শান-শানা শকপা ঈশৈনি। মসিবু ‘মরী চৎপী ঈশৈ’ হায়নসু খঙনৈ। ঈশৈদু মীরোন অমদগী মথং মীরোন অমা লান্না শকপদগী মদুবু মরী চৎপী ঈশৈ হায়না খঙনখিবনি। থৌরম অসি লুহোংবা নুমিৎকী মমাঙগী অহীংদা পাঙথোকই। লুহোংলিবী নুপীগী বার্তন ফংলবী লৈকায়গী মমান্নবীশিং মাগী য়ূমদা পূল্লি অমসুং জগোয় ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকই। থৌরমসিদা নুপা য়াওদে। জগোয়গী মওং অমদি নুপী অমমম নৎত্রগা অনী-অনী মায়োক্লনা ফূট অহুমলোম লাপ্পনা লেপ্পগা ঈশৈগা লোয়ননা জগোয় শাই। মখোয়না জগোয় শারকপদা মখোয়গী মফম তত্তনা ওন্থোক্নৈ অমসুং মদুনা মখোয় উরু-রু লৈদুনা জগোয় শাবগী মওং থোকহল্লি। অদুম্না জগোয় শাবদু য়াম্নমক ফজে। মদুদা শকপা ঈশৈনা জগোয়দুগী মচু শঙবগুম ওইহল্লি। মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইদা জগোয় শাবী তোঙান্না লৈতে। মতমদুগী লৈশাবী অয়াম্বা, মখোয়গী লোন্থক ওইবা নুপীশিংদগী জগোয় অমসুং ঈশৈ তম্লখি। লুহোংবগী থৌরমদা মখোয়গী হৈজবপূম্বা উৎলম্মী। জগোয়সিমক তোঙানবা ফিজেৎ লৈতেংসু লৈতে।

জগোয়-ঈশৈদা নুপা-নুপী অৱায়-অখুম তৌনবগী শৈথারোনগী মওং য়াম্নমক মহাও চেল্লি। জগোয়সিদা নুপা য়াওদবনা নুপাগী শৈরোনদু নুপীনা শকই। জগোয় অমসুং ঈশৈসিদা যন্ত্র শীজিন্নদে। হান্না শক্লরম্বা জগোয়-ঈশৈগী শৈওং-শৈদা খরদং থমজরি।

১।‘শানৌ নহা লৈথিবী/করিনা লৈগী পূংবানো তাকলম্মু।’/ লৈগীতা পূংবা হংবিনু/ অপাম-নুংশি থুংনদবা লৈরাংনি!’

২।‘তমগী খুনু মায়ঙৌবা/ ইবন্‌গী লৌচী লৌয়াদা/ চেক্লা চাক্তাবিরনু!’/ ‘তেরা খাদা লৌঙাকপী/ ঐনা তাগে তাবরা,/ নিঙোল শম্লাংনা লৌবগী তাবনি।’

৩।‘পাঙল বেঙ্গুন খোংবনা/নোংয়ায় চবূক লাবদা/কংলাই লানবন থক্তুদৈ/বেঙ্গুন খূৎখৎ তম্লকপা/ য়াদি পলেম ইমা ও!/ নমোমগী পূক্লিং নুংওল্লি।/ পাঙলচাদি থৌনাইবা/ মৈতৈ লমদমগী থৌপুবা/বেঙ্গুল খোলহৌ অখাকপা/খোনমৈ মাগী নৌরবা/ থনুং ফূক্লা খোংলকপা/ নমোমগী থম্মোয় শুমহৎলি।/নচাই পূক্লিং খঙলবী/হাদ- পলেম ইমাও!/নোংমগী ইনুং অথেঙবদা/ বেঙ্গুল খোংবা মকাদা/নমোমগী থম্মোয় লান্থোকখ্রে/ খুদোল-লৈরাং ওইনবু/ নমোমগী হকচাং কৎথোকখ্রে!’

অসিগুম্বা ঈশৈ নত্তবা থাবল-ঈশৈ হায়না খঙনবা ঈশৈসু লৈরি। লুহোংবগী থৌরমদা লৈশাবীশিং থাবল চোংলম্মী। মসি মৈতৈগী ঈথিলদগী ওইখিবা মওংনি। ঈশৈসি থাবল চোংন-চোংনা অমনা হায়রগা অতৈনা খুম্বগী মওংনি। মসিদসু নুপা য়াওদে। থাবল ঈশৈগী খূদম অমত্তং থমজরি—

পাঙল উসমান চাউবগা/ শগোলশেম চাদি থম্বালগা/ লৌগে-লৈগে তেমশীংনৈ—/ থম্বালনা লৈগে হোয়াখি/উসমান্না লৌগে তেমশীংখি।/ ‘‘অওইবরনে থম্বাল ও’’/ ‘‘অওইবনিনে পলেম ও’’/ ‘‘তৌগনুদা থম্বালও/ শেৎকেদা হায়য়ু ইমাদা/ফিগে ফনেক লৈবিগে,/ ইনগেতা হায়য়ু ইমাদা/ শূ-দ-নমথাং থোনবিগে।’’/ঙম্মরোই এ পলেম ও,/ পাঙল উসমান চাউবগী/ পিশুম পাগোই মরক্তা/ শমব্রু তোমথিন লৈবদু/নমোমগী মোংফম ওইখরে,/অদুসু তোক্লো ইমা ও,/ নুংয়ুংবীগী মখোঙদা/ পাঙল উসমান চাউবগা/ স্নরুপ্পা ছাতিন লান্নখ্রে/ পা-ন চদুম চারুরে/ ঙম্মরোই এ পলেম ও!’’

লুহোংলিবী নুপী-গোইনাগী য়ূমদা লুহোংবা নুমিৎকী মমাঙগী অহীংদা পাঙথোকপা কূম্মৈগী থৌরম থম্মোয় শোকই। অহীংসিদা গোইনানা অৱা-নুংঙাইগী পিরাং শীন্থরদুনা কায়ন-শৈরোল শক্লগা জগোয় শাই। শৈরোনদু তাবদা মাগী মমা অমসুং নুপী অতৈদু কায়নবগী চৈনাখোল ফাওরক্তুনা কপ্ন-কপ্না অৱাবা খাঙই।

**খুন্নুং ঈশৈ ঃ**

খুন্নুং ঈশৈগী শৈওং অমদি শৈথারোল ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙনরে। মণিপুরী মুসলিম ঈশৈসি য়াম্নমক পামজে অমসুং শকই। মখোয়না ঈশৈসি মৈতৈদগী তম্বনি। হৌখ্রবা মতমদা লুহোংলিবা নুপা-দামনগী য়ূমদা লুহোংবা নুমিৎকী মমাঙগী অহীংদা পাঙথোকপা কূম্মৈ থৌরমগী মথেল অমা ওইনা ঈশৈসিসু শক্লরম্মী। হৌজিক্তি মদুগী মওং চৎনদ্রে। অদুম ওইনমক ঈশৈসি শকপা মী লৈরি। হৌখ্রবা মতমদা ঈশৈসি পামজনা শকপা নুপীসু লৈরম্মী। অদুম্না লৈরম্বা মীশিংদু শৈশকপনা মখোয়গী শিনফম ওইদবনা অতোপ্পা ফূরুপকী মীনা মখোয়বু মশক খঙদে। ঈশৈসিদা য়াম্না থম্মোয় শোকপদি নুংশিনজবা পাখঙ-লৈশাবী কায়নবগী মৈচাক লোয়নবা শৈথারোল অদুনি।

**গজল ঃ**

অৱা-লান অমসুং চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা মণিপুরগী মপান্দা লাঞ্জেল্লুবা অমসুং খোংজোম লান মতুংদা বৃটিশ লান্মীশিংগা ৱা ঙাঙনবদা উর্দু খঙদবা য়ারক্তবা অসিনচিংবা মওং কয়াদগী উর্দু লোনদা মণিপুরী মুসলিমগী পূক্লিং চিংশিনবা হৌখি। মসিগী মথক্তা মখোয়গী মচা-মশুশিং উত্তর প্রদেশতা থাদুনা মফমদুগী মদ্রাসাশিংদা ধর্ম্ম-বিদ্যা তম্বা হৌখি। অসিগুম্বা মুসলিমশিংসিদগী মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইদা নৌহৌনা উর্দু লোনগী মফম লৈরকখি। কুনশুবা শতাব্দী হৌরকপা মতমদগীদি লুহোংবগী থৌরমদা পাঙথোকপা কূম্মৈগী থৌরমদা উর্দু গলজনা চাউরবা মফম অমা কনবা হৌরকখি। গজলগী শৈরোন মপাল্লমদগী উর্দু কবিশিংনা ইবা লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। উর্দু গজলগী অয়ৌবী থাক য়ৌখিবসি চুরাচান্দ মহারাজগী হাক্তক্তনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙ ফাওবদা মণিপুরী মুসলিমগী লুহোংবা নুমিৎ নীনী চঙলম্মী। অহানবা নুমিৎতা দামননা দোলাই তোংদুনা গোইনা (লুহোংলিবী নুপী) গী য়ূমদা মাগী পার্টিগা লোয়ননা চৎলি অমসুং নিকাহগী থৌরম পাঙথোকই। দামন অমসুং মাগী মরূপ খরা গোইনাগী ময়ূমদা অহীং লেকই। নুমিদাংৱাইরমদা নাকল অনীগী নুপা শান্নরোয়শিং মূক্লা শান্নে। নুমিদাংদা নাকল অনীগী নুপা শৈশকপশিং উর্দু গজল ঈশৈ শৈদান্নে। নোংঙাল্লগা অয়ূক্তা দামননা শগোল অমসুং গোইনানা, নুপানা তোংলকপা দোলাইদু চোমং খল্লগা মদুদা তোংলদুনা মখোয়গী পার্টিশিংগা লোয়ননা নুপা ময়ূমদা লাকই। হৌখ্রবা মতমদা মুসলিম খুন্নাইগী কূম্মৈ পূম্নমক মখোয়গী লুহোংবদা উবা ফংলম্মী।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা নুমিৎ নীনী চঙনা লুহোংবগী মওং থাদোকখি অমসুং নোংমদা লুহোংবা লোইশিনবগী মওং চৎনবা হৌখি। অহীং লেক্লা লুহোংবগী মওং থাদোকখিবগী মরমদি লুহোংবগী থৌরমদা মূক্লা শান্নবা অমসুং গজল ঈশৈ শৈদান্নবদা খৎন-চৈনবা অমসুং মদুদা য়াম্না শাথীনা শোকপা য়াওনবা অদুনি। অসিগুম্বা মওংসি পাম্নরক্তবদগী নুমিৎ নীনী চঙনা লুহোংবগী মওং থাদোকখিবনি। অওনবা অসিনা লৈরম্বা হরাও-কূম্মৈগী মওংদা অহোংবা লৈহনখি। অসিগুম্বা মতমদা উর্দু লোনদা শক্লরম্বা গজল মণিপুরী গজলনা শিনখি। গজল ঈশৈগী শৈরোন য়াম্মী। য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং থম্মোয় শোকপদি নুংশিনজবা নুপা-নুপী ফংনবা অমদি কায়নবগী শৈরোন অদুনি। মমাঙঙৈদদি গজল ঈশৈ শকপদা যন্ত্র শীজিন্নরমদে, হৌজিক্তি মতমগী খোঙথাংগা চাননবা শীজিন্নরে।

ঈশৈদা পাউতাক পীবা নৎত্রগা ধর্ম্মগী পাউজেল পীবা শৈরোনসু য়াওই।

**কৌৱালী ঃ**

ঈশৈ মখলসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইদা চঙলকখি। ঈশৈসি য়ামদ্রবদা মী মরি-মঙাগী গ্রুপ অমনা খূবাক খূরগা শকই। ঈশৈসি মপাল্লমদগী চঙলকপা ওইরবসু মসিগী শৈরোন মণিপুরীনা ওই। মসিগী শৈথারোন নুংশি অমসুং পূক্লিং শুমহৎলি। হান্নদি ঈশৈসি শকপদা যন্ত্র শীজিন্নরমদে, হৌজিক্তি মতমগী খোঙথাংগা চাননবা যন্ত্র শীজিন্নরে। অমরোমদা ঈশৈসিগী শৈরোন্না ধর্ম্মগী পাউজেল পীবগী মওংসু চৎনৈ।

**মঅ্‌রিফৎ ঃ**

ঈশৈ মখলসি মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইনা য়াম্না পাম্নে। ঐখোয়না অহলশিংদগী তাজহৌবগী মতুংইন্না ঈশৈ মখলসি কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা মতমদগী মণিপুরী মুসলিম খুন্নাইদা চঙলক্লে। মসি কাছাড়দগী চঙলকখিবনি। ঈশৈসিবু মঅ্‌রিফৎ কৌবগী মতাংদা য়েৎনবা লৈ। মঅ্‌রিফৎ হায়বসি ৱলী (ঋষি) শিংগী থম্মোয়দা অল্লাহগী জাত (এসেন্স, পর্সন) অমসু সিফাত (এট্রিবুটশিং) খঙজনবা ইন্সপায়র তৌরকপা নোলেজ অদুনি। মঅ্‌রিফৎ হায়না খঙনরিবা ঈশৈসি সুফীশিংগী ঈশৈনি। মখোয়না ঈশৈসিবু মঅ্‌রিফৎ কৌদে, ‘সমা’ কৌই। সমাগী অর্থ ‘তাবা’ হায়বনি। ঈশৈসি তাবা মীগা অল্লাহগা নুংগী ওইবা মরী লৈনবা ঙমহল্লি। মসি অথূপ্পা মওং অমদগী ওইথোকহল্লি। মদুবু ‘ইস্ক’ নৎত্রগা ‘অল্লাহবু নুংশিবা’ হায়না খঙনৈ। সুফীশিংনা ঈশৈ হায়বসি পুন্সিগী থানবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি হায়বসি উরকপদা মখোয়গী পূক্লিংদা সমাগী ৱাখল লাকখি অমসুং ঈশৈ পাম্বা সমাজদা ‘ইসলামিক মিষ্টিসিজম’ শন্দোক্লবা মখোয়না সমা ঈশৈ শকপা হৌখি।

হৌজিক মণিপুরদা শক্লিবা মঅ্‌রিফৎ হায়না খঙনরিবা ঈশৈসিদা মসি লেংলিবা অমসুং শক্লিবা মীনা ঈশৈসিদা মসিগী মচু তশেংনা শঙবা ঙম্লব্রা হায়বসি হংনীংঙাই ওইরে।

**ৱারী ঈশৈ ঃ**

মথক্তা পঞ্জখিবা ঈশৈশিংসি নত্তবা ঈশৈ মখল অমসু লৈরি। হৌখ্রবা মতমদা খুঙ্গংদা ৱারী লীবগী চৎনবী লৈরম্মী। ৱারীদু মী অনীনা লীরম্মী। মী অমনা উর্দু লোনদা ইবা লৈলা-মজনুগী নৎত্রগা অতোপ্পা ৱারী গজল ঈশৈ ওইনা শক্লম্মী। ৱারীদু ঈশৈ ওইনা শকপগী মওংসিবুনি ৱারী ঈশৈ হায়রিবসি। মদুগী অর্থ মী অদুনা মণিপুরীদা হন্দোকই। অসুম্না ৱারী লীবগী মওংসি য়াম্না নুংঙাই অমসুং মীয়াম্না য়াম্না পাম্নে। মসিগী মওংসিসু চুরাচান্দ মহারাজগী মতমদা অয়ৌবী থাক য়ৌখি। অসুম্না হায় মদুদি মহারাজ মশামক ৱারীদু তাখি অমসুং মহাক্কী অয়াবা পীদুনা কোনুংগী মাঙুবতা ৱারীদু লীহনখি।

মণিপুরী মুসলিমগী ওইনা লৈরম্বা ঈশৈ শাগোন্নবা হরাও-কূম্মৈগী মওংশিং হৌজিক শিথরক্লবগী মওংদা লৈরে। মসি হিংগৎহনবা চুম্মী। মসি হিংগৎহনবা হায়বসি মখোয়গী হৌজিক লৈরিবা ঈশৈগী অমদি সংস্কৃতিগী সংস্থানশিংগী হোৎনবগী থৌওংদা লৈরে। মণিপুরী মুসলিমগী ফোকলোরগী মচাক ওইরিবা লোক-সাহিত্য তদেক-তদেক লৈহনফম থোকই। মসিসু সমাজ অমগী মশক তাকপদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙনি।

(অমিক্কী চেফোঙ *ঈশৈ*দগী লৌথোকচবা)